# ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিম্না বেলরাসপু অহুমলক শুবা মেটচতা পাঞ্জল ৩–১ দা থোইদুনা সেরিজ লৌখ্রে



মেটচ ৫ গী সেরিজতা বেলরাসপু ইন্দিয়ানা অহুমশুবা হোক্কি টেষ্ট মেটচতা পাঞ্জল ৩–১ দা মায় পাক্লবা ইন্দিয়াগী শান্নরোশিং হরাওবা

*বোপাল, মার্চ ৫ঃ*
চহি অসিগী এপ্রিল থাদা কনাদানা পাংথোক্কদৌরিবা হোক্কি ৱার্ল্ড লিগ রাউন্দ টুগী ৱার্ম–অপ মেটচ অমা ওইরিবা ইন্দিয়া অমসুং বেলরাসকী মরক্তা শান্নবা মেটচ ৫ গী সেরিজ অদুদা ইন্দিয়াগী নুপী শান্নরোইশিং অদুনা বেলরাসপু ৩–১ দা থোইদুনা সেরিজ অদুদা মেটচ অহুম থং–থংননা মায় পাকপদগী সেরিজ অদু ইন্দিয়ানা মায় পাখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা পাঞ্জল অদু বেলরাসকী মাইকৈদগী কেপ্টেন রাইতা বতুরানা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা চন্দুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না মাংজিল থাখি।

পাঞ্জল শোৎথরিবা ইন্দিয়ানা ইক্যুলাইজর অদু থুনা য়াংনা চনবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী কেপ্টেন ওইরিবা রাণিনা শান্নবগী ৩৫ অমসুং ৩৯ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ২–১ দা মাংজিল থাখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী দিপিকানা ৪২ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩–১ দা মায় পাকখিবদগী সেরিজ অদু মেটচ ৩–০ দা থোইদুনা সেরিজ অদু লৌখি।

# ওষ্ট্রেলিয়ানা অনীশুবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়াদগী রন ৪৮ মাংজিল থাদুনা চৎপা ঙম্লি



*বেঙ্গালুরু মার্চ ৫ঃ বেঙ্গালুরুদা চত্থরিবা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা টেষ্ট মেটচকী ঙসি নিনি শুবা নুমিৎতা ওষ্ট্রেলিয়াগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২৩৭ লৌদুনা ইন্দিয়াদগী রন ৪৮ হেন্দুনা চৎলি।*

*ঙরাং অহৌবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দেবিদ ৱানর অমসুং মেট রেন্সোনা আউত ওইদনা রন ২৩ অমসুং ১৫ লৌদুনা পুন্না রন ৪০ লৌখিবনি। মদুগী মখা তারকপা মখোয় অনীনা রন ১২ হাপচিল্লগা ৱানর রন ২৩ দা আউত ওইখি। কেপ্টেন স্মিট রন ৮ দা আউত তাখি। মহাক্কী মতুং সোন মার্স অমসুং মেট রেন্সোনা রন ১৩৪ য়ৌবা ঙমখি। রেন্সো রন ৬০ দা আউত ওইহনখি। অদুগা সোন মার্সনা রন ৬৬ দা আউত ওইখি। মেথিয়ু ৱেদ অমসুং মিটচেল ষ্টার্ক মথংশিংনা রন ২৫ অমসুং ১৪ লৌদুনা লৈরি।*

# য়ু এস এ গী শাম ক্বেরি অমসুং য়ুক্রেনগী লেজিয়া সুরেনকোনা নুপা অমসুং নুপীগী টাইটল ফঙখ্রে





*মেক্সিকান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস তাইটল লৌবা ঙমখ্রবা য়ু এস এগী শাম ক্বেরি অমসুং য়ুক্রেনগী*

*মেক্সিকো মার্চ ৫ঃ*
মেক্সিকো ওপন এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা নুপা অমদি নুপীগী ফাইনেল মেটচতা মথংশিংনা য়ু এস এ গী শাম ক্বেরি অমসুং য়ুক্রেনগী লেজিয়া সুরেনকোনা লৌখ্রে।

চহি অসিগী শাম ক্বেরিনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী চাওনা মায় পাক্লা শান্নখিবা ঙরাং অথেংবগী ফাইনেল মেটচ অদুদা মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা দফেল নদলবু ষ্ট্রেট সেট ২ দা মায়থিবা পীখি। অহানবা সেট অদু শাম ক্বেরিনা স্পেনগী রফেল নদালবু অকনবা লম্বা পীদুনা লৈখি। অদুবু নদা ,রংলগী মাইকৈদগী অশোইবা খরা লৈখিবা অদুনা মতাং মতম চানা ক্বেরিনা পোইন্ট ওহোক্কুনা ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী অহানবা সেট অদু ৬–৩ দা মহাক্না থোইখি।

অনীশুবা সেট অদুদি রফেল নদলগী মাইকৈদগী অকনবা প্রেসরনা মরম ওইরগা শান্নরোই অনীনা গেম ১২ লোইশিল্লবা ফাওবা শান্নবদা গেম ৬–৬ থোইনখি। মখা তাবা গেম অমমম থোইনরবা মতুং ৬–৬ তা লৈখিবদগী তাইব্রেক শান্নবা তাখি।

তাইব্রেক অদুদা য়ু এস এ গী শাম ক্বেরিনা ৭–৩ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন ওইখি।

মেক্সিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট দব্লিউ টি এ গী ফাইনেল অদুনা য়ুক্রেনগী সুরেনকোনা ফ্রান্সকী খৃষ্টিনা লাদেনোবসপু সেট ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

নুপীগী ফাইনেল মেটচ অদু অহানবা সেট অদুদা য়ুক্রেনগী সুরেনকোনা ফজবা য়াম্না হেল্লকপগী মদুনা মরম ওইরগা অহানবা সেট অদু য়ুক্রেনগী লেজিয়া সুরেনকোনা সর্ভিসবু ব্রেক তৌনবা কন্না হোৎনরকখি।

অনীশুবা সেট অদু খর মান্নখি। গেম ১০ লোইশিল্লবা ফাওবা অমনা অমবু লাকশিন্নবা ঙম্নদবদগী মেটচ অদু লেজিয়া সুরেনকোনা ফ্রান্সকী খৃষ্টিনা লাদেনোমসপু থোইরগা ফাইনেল লৌখি।

# জর্মন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা চাইনিস তাইপৈগী চৌ টিয়ন চেন অমসুং জপানগী অকানে য়মাকুজিনা টাইটল ফঙখ্রে





*বর্লিন মার্চ ৫ঃ*
চাইনিস তাইপৈগী চৌ টিয়ন চেন অমসুং জপানগী অকানে য়মাগুচিনা জর্মন ওপন গ্রান্দ প্রি বেদমিন্টন গোল্ডগী নুপা অমসুং নুপীগী টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচ অদুদা চাইনিস তাইপৈগী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা জু ৱৈ ৱাংবু চৌ টিয়ন চেন্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৬–২১–১৪ দা থোয়দুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী তাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল অদুদা জপানগী অকানে য়মাগুচি অমসুং স্পেনগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱানগী শান্নরোই কেরোলিনা মরিনগা লম্বা তৌনগদবনি। অদুবু মরিন শোকপদগী শান্নবা ঙমখিবদবা মরম্না ৱাক ওভরদা য়মাগুচিনা টাইটল অদু লৌখিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি কেরোলিনা মরিন্না ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা জপানগী অতোপ্পা শান্নরোই মিনাটসু মিতানিবু ২১–১০, ১৭–২১, ২১–১৮ দা থোইরম্বনি। অমরোমদা য়মাগুচিনা য়ু এস এ গী বৈৱেন জাংবু ২৪–২২, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী তাইটল অদুনা দেনমার্ককী জরা অনীগী লম্ব্দা কিম এস্ত্রুক অমসুং এন্দস স্ক্রুপ রাজমুসেন মেদস কোরাট পিটরসন অমসুং মেদস পৈলর কোলদিংনা ২১–১৭,২১–১৩ দা থোইদুনা লৌখি।

নুপীগী দবলস টাইটলনা চাইনাগী হুৱাং দোংপীং অমসুং লি য়িনহুইবু মায়থিবা পীরম্বা জপানগী য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সয়াকা হিরোতানা লৌখি। লোয়ননা মিক্স দবলসকী ওইনা চাইনাগী জুরা অনী লম্বা তৌনবদা লু কাই অমসুং হুৱাং য়াকিয়োংবু ২২–২০, ২১–১১ দা থোইরম্বা ঝান নাল অমসুং লি য়ুনহুইনা লৌখি।

# লিভরপুলনা অর্সেনেল পাঞ্জল ৩–১ দা থোইখ্রে, বর্সেলোনানা সেলতা ভিগোবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*লন্দন, মার্চ ৫ঃ*
ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা লিবরপুলনা অর্সনেলবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। স্পেনগী লালিগাদা বর্সেলোনানা সেলতা ভিগোবু পাঞ্জল ৫–০ দা থোইখ্রে।

লিভরপুল অমসুং অর্সনেলগী মেটচ অদুদা লিভরপুলগী মাইকৈদগী রোবাটতো ফরমিনোনা ৯ শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদু টিম অদুগীমক্কী সদিয়ো মেননা চন্দুনা হাল্ফ অদু লোইশিল্লকপদা লিভরপুলনা অর্সনেলবু পাঞ্জল ২–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা অর্সনেলগী মাইকৈদগী দেনি ৱেলবেকনা পাঞ্জল অমা হনে দাকপা হৌখিবা অদুবু টিম অদুনা ইক্যুলাইজর ফঙদ্রি। মাংওইননা লিভর পুলগী জোর্জিনিয়ো ৱিজনাদম্না শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৩–১ দা লিভরপুল মায় পাকখি। মায় পাকপা অদুনা লিভরপুল ইংলিস প্রিমিয়র লীগকী মরিশুবদা হায়গৎপা ঙমখি।

স্পেনগী লালিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা বর্সেলোনানা সেলতা ভিগোবু ৫–০ দা থোইখি।

বর্সেলোনাগী মাইকৈদগী অহানবা হাল্ফতা লিওনেল মেসি অমসুং নেমারনা পাঞ্জল অমমম চনখি। মদুগী মতুং ৫৭ শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী ইভান রকিটিক্না পাঞ্জল অমা চনশিল্লবা মতুং ৬১ অমসুং ৬৪ শুবা মিনটতা সমুৱেল উমটিটি অমসুং লিওনেল মেসিনা ৬১ অমসুং ৬৪ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমম হাপচিলগা মেটচ অদু ৫–০ দা মায় পাকখিবনি।

মায় পাকপা অদুনা বর্সেলোনা মেটচ ২৬ তা পোইন্ট ৬০ ফঙলগা লিগকী পোইন্ট টেবলদা রিয়েল মাদ্রিদতগী পোইন্ট অমা হেল্লগা মাংজিল থাদুনা চৎলি।









Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*